# ঐখোয়গী লাইনীং-লীচৎতা কালেনথাগী লাই উনা থেৎপা (নামুংবা) থৌরম

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মীওই কাঙলুপ খুদিংমক্কী থাজনবী অমদি লাইনীং-লীচৎকা মরী লৈননা য়েলহৌ থৌরম ময়াম অমা পাঙথোকই। ঐখোয়গী ওইনসু অঙনবা মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা শজিবু থাদনী লমতা থা ফাওবা থা তরানিথোই অসিদা থা খুদিংমক্কী ওইনা পাঙথোকপা মখল কয়াগী থৌরম লৈ। মরু ওইবা খরদং পঙ্গরবগী শজিবুদা চৈরাওবা, কোৎবা লৈথোক্কা ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবা, কালেনথাগী ওইনা পাখঙবা চেংহোঙবা, নামুংবা (লাই উনা থেৎপা), ইঙা থাদা লাইনিংথৌ সনামহী চেংহোঙবা হৈরাৎ-থৌনিবা, (ককচীংগী ওইনসু ইঙা থাগী অফবা লাইচা-তীলচা য়েংলগা শারম-ঙারম মনা-মশিংনচিংবা অমাইবা-অমাইবীশিংনা খুলগী লাইদা কল্লনা মহৈ-মরোং চুম্ববা, কাওরেন ফম ময়ৌং তাদনবা, অনা-অয়েক য়াওদনবা থৌনিজরম্মী হায়বগী ৱাফম অখঙ-অহৈশিংনা থম্লিরম্মী), ইঙ্গেন খোং চিংবা, লাংবন থাদা হৈক্রু হিতোংবা, লাইওইগা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা লাংবন চরা তম্না, হৈশোয় কংপা, মেরা থাগী চাউরেন হৌবা, পাম্বেইবী হৈরাৎ থৌনি, মেরা মেন তোংবা, মেরা হৌ চোংবনচিংবা, হিয়াঙ্গৈ থাগী ওইনা নিঙোল চাক্কৌবা, কুম পুবা কুমলিকলাই, কুম সনা কুমলিকলাইগী মফমদা নুংশিং-নুংশা ফমুনবীনবা, ঈশিং ঈচাও থোক্তনবা, মহৈ-মরোং চুম্লা পোখোক-চাথোক মরাং কায়হনবীনবা হিয়াঙ্গৈ কুমশাবা (মমাঙঙৈদা চৎনরম্মা হিয়াং তান্নবা) পাঙথোক্লম্মা, পৌইনু থাদা লাই কোপা হাবা, ৱাকচিং থা ইমোইনু হৈরাৎ থৌনি, ফাইরেন লৌ তাবা, লমতা শারোয় খাঙবনচিংবনি।

অঙাং ওইরিবৈঙেদগী থেংনজরকপদা ঐখোয়গী ওইনদি কালেন অসি য়াম্না মরু ওইবা থা অমনি। ঐখোয়গী ইবুধৌ পুকোক ওইরিবা খুল্লেন অমসুং ৱাহৈরি অনীমক্কা তোঙান-তোঙান্না খুঙম য়াদুনা লাৎলিবা ইবুধৌ খল্লাংববু হরাউবগী থৌরম কালেনগী হুম্লি পানবদা ঈকৌরগা নুমিৎ খরনি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অঙনবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকখিবা অতোপ্পা য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমদি কালেনগী হুম্লি পানবা নুমিত্তা পাঙথোকপা নামুংবা নৎত্রগা লাই উনা থেৎপা হায়বা থৌরম অসিনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিবৈঙে মতমদা চৎনরম্বা মওংদি অয়ূক ঙন্তাদগী চেঙ খরা ঈশিংদা তিংদুনা থল্লম্মী। চেঙ অদু য়াম ওম্থোকপা য়ারগনি হায়বা মতাংদুদা ঈশিংদগী লৌখৎলগা থুমোক অমদা হাপ্লগা মচুম কংথনবগীদমক ঙাইহাক থন্মী। মদুগী মতুংদা তীংথোল্লবা চেঙ অদু শূম্বলদা শুদুনা য়াম ওম্থোকই। তনজম হায়বদি য়াম অদু ঈশিং খরা হাপ্তুনা মুন্না তোৎলবা মতুংদা লফুরিৎ মনা নৎত্রগা লফুলাদা ফজনা য়োমশিল্লগা মুন্দ্রিবফাওবা কন্বী খাংদা হাপ্তুনা মৈথক্তা থম্লগা য়াইগনি। চাশুবী শেম্বসু চপ মান্নে। তৌবতবু চাশুবীদা থুম, মোরোক, হেন্তাক নৎত্রগা ঙারি, শিং, মরোয়-মপাংনচিংবা হাপ্তুনা হৌই। হৌবা লোইরবা অমুনবা তল অমসুং চাশুবী অদু লাইনিংথৌদা কৎত্রিবমখৈ তাইবঙ মী ঐখোয়না তংবা য়াদে। লাইদা কৎখ্রবা অমদি মচেৎ অমনা মমাঙথোঙদা থেক্তুনা কৎখ্রবা মতুংদা ঐখোয়সু চাবা য়ারে। অওনবা মতমগী খোঙলৈ হায়বদুনি ঙসিদি শূক শুন্বলগী চন্নফম লৈত্রবা, চাবদা হুমাং শৌজগে, শূবদা হকচিক লাংজগে হায়বা মতমদু ওইরবনি। তল চাশুবী হৌদুনা য়োনবশিংদগী নৎত্রগা কৈথেলদগী তরেৎ শেঞ্জা পীদুনা লৈরুরগা কৎনরে।

অঙাং ওইরিবৈঙে মতম ইমাখোয়না তৌবা থবকশিং হায়বদি ফৌশু-চেঙশুনচিংবদা য়াওদি য়াম্না য়াওনীংবা, ইচাই চাইখাইগনি হৈরোই হায়দুনা য়াওগে য়াদবা মতমদুদা নামুংবা নুমিৎতুদি ইমাদো থবক চিনমনবদগী ঐখোয়বুসু য়াম শুবা য়াওহনখি। লাইদা কৎকদবা ওইবনা শূক পায়বদা খূবাক্তা তিন থাকপা তৌহৈদে, ৱা চবেঙ-চবেঙ ঙাঙনু নতিন চোংগনি, শম-না পাইশিনখিনি হায়না চেকশিন্না মেনখিবশিংদু ঙসিদি খঙলক্লে, অদুক্কী মতিক মমল য়ামখ্রে। নামুংবা নুমিৎতুদা তল চাশুবী ইবুক পেনখৈ চাবা ফংবগী মনুংঙাইদুদি করিগবু চাংদম্নগনি। ফৌ-চেঙ মফূ থন্না লৈবদি ইমুং খরখক্তনি। য়াম শুরগা তল চাশুবী হৌননবা চেঙদি হায়রুনু নোংমদা চরা অনী শুনা চাবা ফংদবা ইমুংনা অয়াম্বনি। মদুদদি নামুংবা নুমিৎতুদি অঙাং ঐখোয়গী নুংঙাইজবীনি। অমুক্কা হেন্না নুংঙাইবা অমনা য়াচংবদা তীলমু-লাইমু তাম্থোকপদুনি। য়াংকোক, দরম মচেৎ, খুদেংনচিংবদা চৈ অমনা থীল্লগা ***থোক্লো তাল্লো কালেন মুবী*** হায়না লাউর-লাউরগা য়ূমগী হিঙ্গোলনুং অকোয়বদুদগী তানবনা থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না তাম্থোল্লবা মতুংদা য়াংকোক, চৈনচিংবা পায়রম্বা পূম্নমক অদু থোঙ্গাল ৱাংমদা লংশেক্লম্লগা চেনশিল্লকপদুনি। ঐখোয়গী য়ূমদা হিঙ্গোলনুংদা লাই ফত্তবা তীলমু-লাইমু চঙবা ঙম্লরোই হায়বা ৱাখলসিনসু অমুক্কা হেন্না নুংঙাইহনখিবনি।

খোগেনচন্দ্র নাওরেম্না ইবা ***নুঙলোন অমদি ককচীং লামায়দা*** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিদা অখঙ-অহৈনা অইবা মশামক্তা লীবীরকখিবা থৌরম অসিগী ৱারী ৱাখোঙ মরীক চুম্না পাউদম্লি। থৌরম অসি অঙনবা মতমদগী হৌনা খুলগী থৌরম ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। থৌরম পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা খুল শীনবা থুংনা পাউ চেন্থোক্লম্মী। লাইদা তল কৎত্রিঙৈ মমাঙ অয়ূক ঙন্তাদা ঈশিং-মায়শিং শোকচিন্দুনা থম্নরম্মী। তল অদু কৎখ্রবা মতুংদা শিলহেনবা হায়দুনা থবক ইনখাং শূবা-নোম্বা লেপ্নরম্মী। অহল-লমনশিংনা লীবিরম্বা লাই উনা থেৎপা থৌরমগা মরী লৈনবা ৱারী অমসু লাইরিক অসিদা য়াওরি। মণিপুরগী লৈবাক লৈহাওদা হিন্দু লাইনীং লীচৎনা মরূ মরা তাশিল্লকখিবগী শরুক অমা ওইনা উমংলাই হরাউবা য়ারোই হায়বগী অথিংবা লৈরবদা ককচীং নিংথৌ অমসুং অঙম অথৌশিংনা লৈবাক নিংথৌ মনাক্তা চৎতুনা মপা-মপুশিংনা চহী লীশাং শীৎনা পাঙথোক্তুনা লাকখ্রবা লাই উনা থেৎপা থৌরম অদু পাঙথোকপা য়াহনবীয়ু হায়জরম্মী। মদুগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা অতোপ্পা খুলশিংদগী মী চঙবা য়াদবগী চৎনরোল অদু ঙাকপদা অয়াবা পীবিনবা হঙ্গৎলম্মী। মতৌ অসুম্না নিংথৌগী অয়াবা ফংদুনা লাই উনা থেৎপা থৌরম অসি কায়দনা পাঙথোকখি। মদুগী মথক্তা থৌরম অসি পাঙথোকপগী মীংদা লাই হরাউবসু তূমিন্না পাঙথোকখি হায়বগী ৱাফম য়াওরি।

নামুংবা নৎত্রগা লাই উনা থেৎপা অসি ইচম-চম্বা থৌরম নত্তে। কুম অমগী পাঙথোক্তবা য়াদবা থৌরম অসিদা ফত্তববু মাঙহন্নবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমগা শাগোন্নদুনা লৈরি। লাইবক থীবদি মতমগী মতুংইন্না অওনবা অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা থৌরম অসি মমি শামজিল্লপকগুম তৌরক্লে। মীওই অয়াম্বনা কৈথেলদগী নৎত্রগা মফম অমদগী তল অচম্বা অমদি চাশুবী অনী অহুম লৈরুরগা মমিংখক্কী ওইনা কৎনরে। অঙাং নুপামচা-নুপীমচাশিংনা মাগী-মাগী য়ূম হিঙ্গোলনুংদগী ফত্তবা তীলমু-লাইমু তাম্থোকপগী থীনবা লাউবা খোঞ্জেলদুদি তাখিদ্রে হায়বা য়াই। মতম খরগী মতুংদদি পুমকাউ কাউনখিবসু য়াই। ●

# হৈত্রবদি হৈত্রেদনা

- নবকুমার ওইনা -



লৈবাক খুন্নাই অমা ওইনা পানবা হায়বসিদা লৈঙাক হৈবা মী হায়বসি শোয়দনা চঙই। ভোট তৌরগা লৈঙাকপশিং খনবা ঙমদ্রে হায়বসিমা হন্দক উৎলে। হৈত্রবদি লৈঙাক অমা শেম্বসু ঙমদ্রে হায়বনি। হায়জিনবা নত্তে তরং-তরং উনরিবনি। অদুদগীদি করি তৌবা তারি খঙনদ্রিবনি।

খঙশু খঙদনা মসিদা অখঙবা শারুবা য়াবা নৎত্রি। ইশাগী হৈনবীসু নত্তে, পান্লুবসু লৈতে, তম্লুবসু লৈতে। হৌজিকপু কাঙলুপ অনী খৎনবনি হায়রগা মতম লেন্নরিবসি করি তৌরগা ফগনি হায়বদু খঙলবসু নৎত্রি, খন্নগনিতা হায়নবা তারি। মসিদবু কনাদা তায়নগে হায়বনো, মীওই অমদা তায়নরগা য়াগদৌবসু লৈতে, তায়নফমসু লৈতে খল্লি। কুম-লায়না ওইনা কুইনা নারক্লবা, লায়ওং ফুদোরক্লবনি হায়বা য়ারগনি। মীওই কয়া অমদি মনাদা চঙবা নত্তে, মরন্নায় তৌরগা লৈবা য়াওরিবনি। থায়নগী নিংথৌ পাল্লিঙৈগী খুঞ্জা ওইরগা লৈবগুম্বনি। দেমোক্রেসিদদি য়াহৌ থেংবা য়াদে। লাইরিক তমদবা য়াদে, লৈঙাক খঙদবা য়াদে, থৌদাং লৌদবা য়াদে, শুপ্পায় পায়বা নিংথৌ শাজিনবসু য়াদে। মদুদগীনি শোয়জিল্লক্লিবসি।

লমদম অসিদবু মদু খঙবা, লাইরিক হৈরবনি হায়বা কয়া য়াম্না লৈরবগে, মৱা চৎত্রিবনা করিগীনো? মদুসু হৈবগী নত্তে হায়গনি, হৈত্রিবগী ওইফম থোকই। হৈত্রবদি লৈবাক পুমচায় চায়বদি ময়াম অমা উরিবসিনি। কনা অমনদি মসি মালেমসি কায়দ্রিবা ফাওবা খৎনবা, চৈনবা, হাৎনবসি অদুম লৈখিগনি হায়না ৱারেপ লৌনবসু লৈখ্রে। মদুমক্তি থাজবা হকমল্লি খল্লি, মী ওইনা মালেম অসিগী থৌদাং লৌদবনি হায়গনি। মালেমসি শেল্লকপদা মীওইবা হায়বা অমা য়াওশিল্লকপসি শোয়বা মানশিল্লক্লি। মসি তৌরগা ফগনি, নহাশিংদি তুংগী য়ূম্বীনি, উ থারবদি নোং তাগনি, ষণ লোয়রবদি শঙ্গোম চাগনি, খোং তৌরবদি ঈশিং চেনগনি হায়রগা লৈরিবসি থবক হৌদ্রিবগী মাল্লি। হৌজিকপু মদু খঙদবা কনা লৈরিবগে, মতম মাঙবদু পাম্মুবা ফাওনদ্রিবা মাল্লি। পোথোক্তি ইউ উদে, ৱারীদি ৱা-ৱা লাউরে হায়বদি য়ারগনি। ৱারীনা লৈবাক অমা শেন্নবদি ৱাগনি, থবক শূদনা লৈবাক খুল্লিংবা ঙম্বা হৌনদে। চানবা-শেৎনবা থবক খরদুগী মথক্তা শা-লান য়াওদবা য়াদে হায়বসি চহী লাখ কয়াগী মমাঙদগী লোয়নদুনা লাকখ্রবনি। ইশানা নান্থুবদা মীঙোন্দা তায়নবা য়ারোই। মী-ওইবা-মী লৈত্রবদি মীওইবগী লৈবাক মাল্লোইদনা। মহৈ-মশিনগী ৱাদি য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লে, হন্দক্তা খূৎ হাম্বা তন্বীরিবনি। শাথেং লাম্থেংনবা অদু কাওখ্রিবগী মরম করিনো, থাঙ হাইবনদি য়াদ্রে। তীল-কাং খরদি য়েক্লবদগী কঞ্জনবা মশাগী মচু হোংবা ঙম্নরি, মীওইবনা য়েক্লবা মশক খঙবা ঙমহৌদ্রিবনি। মপু পান্দবা লম হায়বদুমক ওইরি হায়গদৌরিবনি, অদুনরা মুন্নবা হোৎনবা কাঙবু য়াওশিল্লক্লিবনি। ইশানা ফজরি হায়বনা য়ারক্ত্রে, মীনা করি ওইনা উরিবগে হায়বসি তৌশিল্লক্লিবা থবক্লা তাক্লক্লি। মতৌনা য়ামদৌবা শাবা হায়বা অমসু লৈরি। মদুদি লৈঙাক পুবদা য়াগদৌবা লৈতে, ফম্লাইবনা শেল চাবা, লৈঙাকপবু শেন্দান লম্বী ওইহনবা হায়বসি মুৎনবা লম্বীদা চঙশিনবনি। মিংচৎ পাম্বনা লৈঙাক হৈরগনি হায়বসু য়ারোই, পামজবনা লৈবাক ফজগনি খনবসু লানগনি। দেমোক্রেসি হায়বসি খঙবদা ইরন্নায়গী হায়বসি তুংওইনরম্বা ঙম্বা চঙই। অপঙবনা শেন্নবা ঙম্বা শিন্থোং নত্তে। হৈত্রবদি হৈত্রে হায়বা অদুম ইখঙ-খঙনবা ৱানি, অফবা শাবগী ৱারীনা য়াবা হৌনদে। অফবা শাবশিং লৈবাক্কী নত্তে হায়বসু লৈ।

লৌ উবা হৈতবদুনা ফৌ থোক্ত্রিবনি, চেক শূবা হৈতবদুনা চেকয়ূম শারমদ্রিবনি। অহৈবা লৈরবসু কোন্নদবদগী মীতোপ চঙলকইবনি। হৈবোয়-হৈতবোয় মিস্ত্রি ওইবশিংনা শেল পাম্লবসু কদাইদগী থবক ফংগদৌরিবনো? মচা-মশুশিংগী ট্যুশন তৌবগীদমক অহিংদগী হৌগৎলগা চেন্নরিবা অসিবু স্কুল-কোলেজগী ওজাশিং লাইরিক হৈবগীনি হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা ট্যুশন তৌরিবা ওজাশিংনা হেনবগীনি হায়রিব্রা? চাংদম্নবদু নত্তে, অঙাংদুনা হৈত্রি হায়বগী তৌরিবনি হায়বা তাবনি। লোইনমক মীদা-মী হায়বদু ওইরক্কনিদা হায়বদি লৈতে। চাক থোংববু ওইরবসু হৈত্রবদি হৈত্রে, চাক থোংবা চত্তবা বামোনসু ময়াম লৈ। হৈগদবোয়দা খন্নবদগী খাবৈ ৱাইনরক্লিবনি।

মীগী লাইরিক অমনবা খরা পারগা ইশাগী লৈবাক হিংগৎহনবা ঙমগনি হায়বা লৈতে। ঙসিগী থৌনা চঙই, থায়নগী থৌনানা য়ারোই। থায়নগী পুৱারী হায়বসি মাঙখি-তাকখিবনা হেনগৎলকই। অনৌবা (মোদর্ন) ৱারী শেমগে হায়রবদি অনৌবা থৌনা চঙই। অনৌবা ৱাঙাঙ ঙাঙনদ্রবদি অনৌবা লৈবাক শেম্বসু ঙম্বা হৌনদে। মীওই খরনা য়াদুনা মাঙহনখিবা লৈবাক্তু মীওই খরনা শেল্লকপা ঙায়বদি লাল্লি হায়বসি চেনফম লৈতবা ৱানি। ঙমগে হায়রবদি মীয়াম অমা চঙলকইবনি। মী লৈত্রবদি লৈবাক লৈবা য়ারোই। স্কুল-কোলেজদা ফনা ফজনদি তম্নরবনি, লৌশিংদুদি য়ূম-য়ূমদা য়ৌশিল্লু য়াদ্রিবনি।

মরুপ অমগী ৱাথোক অমা থোকই, পুলিসতা তাক্কদ্রা হংববু ষণনা কাওরগা ইরোইদা হায়বনা কান্নবা ফংলরোই, লোসু ইরোই মুৎখিবগুম মুৎশিল্লক্লি হায়রকই। লো লৈত্রবদি লৈবাক অমা লৈরি হায়বা য়াবা নত্তে। লো শেম্বসু হৈত্রবা, লৈঙাক শেম্বসু হৈত্রবা মী অদুসু লৈত্রবগুম্বনি অসিনি। য়েক্লবগী ৱারী লীদুনা লৈরগা ঐ হিংলিবনি হায়বনা কান্নবা লৈতে, চঙশি শিরবা চীংই। জগোয় হৈত্রগা মাঙ্গোলদা তায়নবগী ৱারী ময়ামসি পোলিটিক্স হায়বদুদা য়াওই। পুঙ য়ৈরিবসিগা জগোয়গা চানবা উদে, ঈশৈ শকচিল্লি (চে ওইনা পীরিবা) ময়ামসিগী মরুমদা ফজদবা ৱা ময়াম লৈরি। লমদমসি মখোয় খরগী অপঙবা ফুদোকফম নত্তে হায়নবসু লৈ। থবক পরিং চুমদ্রবদি থবক্তু ওইরোই, মোন্দ্রং তৌবনদি অফবা ওইদবসু য়াই অসিনি। লুচিংবা মী হায়ববু করিনো, অসিৱায়দা লৈতবগী খঙনদবগী ৱানি, লৈরবনি হায়বা কাঙবুগীদি কবোলূ শোরো-শোরো চিংলগা থোক্নরক্লিবসিদি মী ময়াম্না উরিবসি মঙায়। ঙা ফাবা য়ানবা লাংবসিবু লৈবাক্কীনি হায়জিল্লিবনি। লৈবাক অদুদি শোয়দনা কায়খিনি, নুমিত্তু খঙদবা অদুগী ৱাতনি। লৈবাক শেম্বা লায়রি, তারিখ লানবা শেমদোকপবু হৈত্রিবনি। পুৱারী য়োল্লগা চাবা হায়বদুনি, লৈঙাক য়াওবা ফংদবা মীশিংনা লৈবাক নীংবগী ৱা ঙাঙবা হেল্লিবনি। ওইরোয়, হৌজিক ফাওবগীদি ওইদ্রিবা অসিনি। অঙানবা নুমিৎ নীংশিংনদে, অমম্বা নুমিৎ ওইনা নীংশিংনৈ। লৈবাক নীংবা য়াওবসিসু ৱানোম্নবগী ৱা অমা লৈরব্রা চিংনরি, ঈশৈ ঙংলগা নীংবসু লৈবা য়ারিবনি।

কপশিন্নরগা লৈবাক নীংবা শাবা হৌনদে, মোরে নাওরি পায়রগা শাওবনসু কান্নরোই। লাইরিক তম্বীবদা মরৈবাক নীংবা তম্বীহৌদ্রে, পাপ তৌরগা থবক অমা শেল পীরগা লৈবনি, নুপী থিরগা নুপীগী ওইখ্রনি অসিনি। কদায়দগী লৈবাক নুংশিবা শঙগদৌরিবনো? তম্বীদবদগী হৈতবা ময়াম লৈরে, হৈত্রবদি হৈত্রেদনা করমদি তৌনি।

লৈবাক্কী কোনুংদা লৈবশিংগী মরক্তা পেনা খোংবা হৈবা য়াওদ্রবদি করম তৌনা নিংথৌদু য়াগৈরগা হৌদোকপা ঙমগদৌরি? দেমোক্রেসিদা পেনা খোংনখিগদরা হায়বসিবু মায়-কমান্দা হংনখিগদরা। মদুসু খঙদ্রবা নৎত্রগা হৈত্রবা কোনুংদুদি থোঙ হাংবগী ৱা লৈত্রি হায়গনি। য়াম তকই হৈতে, লং নায়রে হৈতে, মুগা তীল য়োকই হৈতে, সেমেন শেম্বসু হৈতে, মদুদগীদি লমদমসিগী মীশিংনা হৈতবা লৈতে হায়নখ্রবনি। য়ু থকপসু হৈতে, য়ু য়োনবসু হৈতে, চুরুট থকপসু হৈতে, দ্রগ চাবদি হৈরে হায়রি, থিংবদি হৈত্রি।

কোয়খোম খোল্লগা কোয়লাউ লাউনরিবসিমদি হৈরবা মাল্লক্লি, ৱারেপ্তি খঙদরি, ঐখোয়দি শিখিবনা হানগদৌরি। ●

# চাং নাইনা শান্নবা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা খঙহৌদনা ৱান্থরকপা : হার্ট এটেক নত্তবা অতোপ্পা মরম ভেনিসিং লঙ সিন্দ্রোম

- ডা. সিদার্থ লুক্রাম-
এম সী ঐচ কন্সলটেন্ট সী টি ভি এস সর্জন,
ববিনা হোস্পিটাল, খাবৈশোই

চাং নাইনা শান্নবা নহা ওইরিবা মীওইশিংগী মরক্তা শাজেল তৌরিঙৈ অমদি মপাঙ্গল ফুদোক্লিঙৈ মনুংদা খঙহৌদনা শিবগী থৌদোক হন্দক মশীং য়াম্না থোকপগী পাউ লৈরি। মীয়াম্না অমদি ডাক্তরশিংনা ইহান হান্না হেক খনবা মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা কার্দিয়াক ইস্যু, মরু ওইনা হার্ট এটেক অসি অমনি। হার্ট এটেকনা খঙহৌদনা শিবগী মরু ওইবা মরম অমা ওইরবসু স্পোন্টেনস ন্যুমোথোরাক্স অমদি জাইন্ট বুলী অসিসু খঙহৌদনা নীংশা হোনবা ৱারকপা অমদি ৱান্থদুনা, হায়পোক্সেমিক ব্রেন দেমেজ অমদি হার্ট মথৌ তৌবা লেপখিবগী খঙনরবা মরমশিং ওইরি।

মতাংসিদা ঐখোয়না খুদক্কী ওইবা লায়েং মথৌ তাবা স্পোন্টেনস ন্যুমোথোরাক্স অমদি জাইন্ট বুলীনা নীংশা হোনবা নুংঙাইরক্তবা ওইহল্লকপা ঐখোয়না থেংনরকপা ফীভমশিং নৈনগনি। ভেনিসিং লঙ সিন্দ্রোম হায়নসু খঙনবা জাইন্ট বুলস এমফিসেমা (জি বি ঈ) অসি নহা ওইরিবা, মশা পাবা, মৈখু য়াম্না শীজিন্নবা মীওইশিংদা য়াম্না তাঙনা থোকপা ফীভম অমনি। মসি অপ্পর লোব অমা নৎত্রগা অনীমক্তা অচম্বা বুলী থোরক্তুনা হেমিথোরাক্সকী য়ামদ্রবদা শরুক অহুম থোকপগী অমা কনশিন্দুনা অমদি মনাক নকপা লঙ পেরেঙ্কিমাদা শাফু পীবগী মওং মতৌনা তাকই। ইদিওপেথিক জাইন্ট বুলস এম্ফিসেমা হায়বসি চুম্নগী ববুলস এম্ফিসেমাদগী খেন্নবা, মরু ওইনা নহা ওইরিবা নুপাশিংদা অয়াম্বনা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংদা য়াম্না তাঙনা থোক্কনবা সিন্দ্রোম অমনি।

মসি ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলমোনরি দিজিজ (সী ও পি দি) গী তাঙনা উখোরকপা লায়ওং অমনি অমদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। ট্যুবরক্যুলর লঙস, এজমা অমদি সী ও পি দি লৈবা অনাবা মীওইশিংদনা ফীভম অসি হেন্না থোক্কল্লি। মসি ইচম চম্বা থবাক্কী এক্স-রে অমনা খঙদোকপা ঙম্মী। মখাদা পীরিবা এক্স-রে অসিনা ঐখোয়না থেংনরকপা নীংশা হোনবদা ৱাবা, মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগী থবাক্কী শক্তম উৎতুনা য়েৎ থংবা নাকন্দা লঙ টিস্যু নমশিনখিবা নৎত্রগা য়াওদবগী ফীভম উৎলি। মহাক ফুটবোল শান্নরিঙৈদা নীংশা হোনবা নুংঙাইরক্তবগা লোয়ননা ৱান্থখিবনি। মহাক মরক মরক্তা মৈখু শীজিন্নবা মীওইনি। সর্জরি মনুংদা থবাক্কী কেভিটিদা নুংশিৎ য়ুহনবা বুলী অমা থেংনখি।





অসিগুম্বা ফীভম অসি মতম কুইনা মৈখু শীজিন্নরকপা মীওইশিংদা হেক হেক থোক্কনবা, পাঙ্গল ফূদোকপদা নীংশা থবেৎ-থবেৎ হোনবা অমদি মখা তানা নীংশা হোনবা নুংঙাইরক্তবা অদুগা করিগুম্বা মতমদনা লোক থোক্না খুবা য়াওগল্লি।

জাইন্ট বুলস এম্ফিসেমা অসি মতম শাংনা মৈখু শীজিন্নরকপা মীওইশিং অমদি অস্ফা-১ এন্টিট্রাইপিন ৱাৎপা অনাবশিংদা তোয়না থেংনৈ। মসি শিবগী চাং ৱাংবগা লোয়ননা মালেমগী অপূনবা মীশিংগী চাদা মঙা শোকহন্দুনা চহী ৩০গী মথক্তা লৈবা অহলশিংগী চাদা ১২দা থোকহল্লি। মরম অদুনা ঙল্লিঙৈ খঙদোকহৌবা অমদি চুনবা লায়েং পীবা মরু ওই। অদুম ওইনমক ক্লিনিকেল প্রজেন্টেশন অমদি ইচম চম্বা রেদিওগ্রাফ খক্তদা য়ূম্ফম ওইরগা জাইন্ট বুলস এম্ফিসেমাবু ন্যুমোথোরাক্সতগী খন্দোকপা অসি শীংনবনা থনবা থৌওং অমনি।

লায়ওং উত্তবা অনাবশিংদা নেবুলাইজ ব্রোঙ্কোদাইলেটরশিং য়াওনা অকক্লবা মওং অমা শীজিন্নে। অদুম ওইনমক লায়ওং উৎপা অনাবশিংদদি বুলেক্তোমিজ, এন্দোকেবিতরী দ্রেনেজ, ভিদিও-এসিষ্টেদ থোরাকোস্কোপিক সর্জরিগা লোয়ননা চাং হন্থহনবা, ৱান-ৱে এন্দোব্রোঙ্কাইএল ভালবস নৎত্রগা লঙ ট্রান্সপ্লান্ট তৌবগুম্বা সর্জিকেল ইন্টরভেন্সনশিং খন্নবা য়াই। সর্জিকেল বুলেক্তোমী (থোরোকোতোমী নৎত্রগা থোরাকোস্কোপীগী মতেংনা) তৌবনা পলমোনরি কমপ্রেশন হন্থহনবা অমদি পলমোনরি ফঙ্কশন অমসুং শাজেল তৌবগী মতিং য়েংথোক্লবা মতুংদা অকক্লবা অনাবশিংদা ন্যুমোথোরাক্সকী খুদোংথীবা লৈহন্দবা ঙম্মী হায়বা উৎলি। ওপরেটিভ মোর্টেলিটি রেট নেম্না লৈ। মসিদা লাক্লিবা ৱাফমদি, মতম চানা লায়েংলবদি ফীভম অসিদগী কোকহনবা অমদি পূন্সি কনবা ঙম্মী হায়বসিনি।

মসিদা পীরিবা মরু ওইবা পাউজেলদি নীংশা হোনবা নুংঙাইতবা ফাওবা নহাশিংনা ডাক্তর অমা তানরগা চাং নাইনা চ্যেক-অপ তৌথোক্কদবনি। এজমা, হান্নদগী ট্যুবরক্যুলোসিস লৈরকপা অমদি মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংনা মরু ওইনা লায়না অসি লাক্লিংঙাই ওই। খুদক্তা লায়েংহৌদ্রবদি মসিনা সিঙ্কোপেল এটেক থোকহনবা অমদি শিহনবসু য়াই। কেস অয়াম্বা ষ্টেথোস্কোপ অমা অমদি থবাক্কী এক্স-রেগী মতেংনা ইচম চম্না য়েংদুনা খঙদোকপা ঙম্মী। পোষ্ট-কোভিদ সিম্পটমশিং থোরকপগা লোয়ননা মশা মউ ফবা অমদি চাং নাইনা শান্নবা মীওইশিং ফাওবনা চেকশিনগদবনি অমদি করিগুম্বা নীংশা হোনবা নুংঙাইতবা থেংনরবদি ডাক্তর অমগা তানবীগদবনি। থম্মোয়গী অনাবনা খ্বাইদগী তোয়না থোক্কনবা মরম ওইরবসু নহা ওইরিবা চাং নাইনা শান্নবা মীওইশিংদা লঙ প্রোব্লেমসু নাথৈদুনা থল্লোইদবনি। ●

# নীংশা হোঞ্জিনবদা থবোম্বী নাম্মা ফন্দোক্লক্ত্রবদি করি তৌগনি?

- ডা. কে কে পান্দে -
সিনিয়র ভাস্ক্যুলর এন্দ ইন্দোভাস্ক্যুলর সর্জন,
ইন্দ্রপ্রস্থা এপোল্লো হোস্পিটাল, সরিটা বীহার, ন্যু দেল্লী

(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)

**নহাক্কী থবোম্বী অদু চপশিল্লবদি করি তৌগনি :-** কনাগুম্বা মীওই অমগী থবোম্বী পূম্নমক নৎত্রগা শরুক খরা নীংশা চনীং তানা হোঞ্জিনবা মতমদা মশাগী মহৌশাগী ফন্দোকফম থোকপা চাং অদু য়ৌনা ফন্দোক্তবা তারবদি, নৎত্রগা মমাঙঙৈদা ইপুম-নাইপুম নৎত্রগা ঈশিং লৌথোক্লবগীদমক্তা থবাক্তা হাপচিনখিবা ট্যুব অমা লৌথোক্তুনা থম্বদগী, ফনা য়াম্না হোৎনরবসু থবোম্বী অসি চপশিন্দুনা অদুম লৈবা তারবদি, খুদক্তা মতম মাঙহনবা তৌদনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা থোরাশিক নৎত্রগা থবাক্কী সর্জন অমগা তান্নবীয়ু।

ঈ-নাই লৌথোক্লবগীদমক্তা থিনজিনখিবা ট্যুব অদু থবাক মনুংদা লেঙদনা লৈবা, অমসুং চয়োল অমা হেন্না মহী-মনাই চিংথোক্তুনা লৈবা তারবদি থোরাশিক সর্জন অমগা উনদুনা মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা মখা তানা লায়েংবীয়ু, নৎত্রবদি, থবোম্বী অদু মথৌ তৌবা ঙম্লোই। করিগুম্বা মতমদা, ঐখোয়গী ফিজিসিয়নশিংনা সিরিঞ্জ নিদ্দল অমগী মতেং লৌদুনা থবাক মনুংদা তুংদুনা লৈরিবা ঈ-নাইশিং অদু হঞ্জিন হঞ্জিন খজিক খজিক লৌথোক্লবা হোৎনৈ। মসিনা মওং অনীদা অকায়বা থোকহল্লি। অহানবদা, ঈ-নাইশিং অদু শেংনা মপূং ফানা কৈদৌনুংদসু লৌথোকপা ঙমদে, অমসুং নারিবা অনাবা অদু ফবা ঙমদনা লৈ, অদুগা অনীশুবদা, থবোম্বী অদু চপশিনবা হেল্লকই, অমসুং মমৈথংদা মথৌ পাঙথোকপা ঙল্লক্তে। অসিগুম্বা মতাং অসিদা মীপূম খুদিংমক্না য়াম্না চেকশিনবগা লোয়ননা, জেনরেল সর্জন অমগী মহুত্তা থোরাশিক সর্জন অমগা তান্নদুনা, মহাক্কী লমজিং মখাদা লায়েং চত্থবা হৌবীয়ু।

**চপশিন্দুনা লৈরবা থবোম্বীগী লায়েং :-** করিগুম্বা নহাক্কী থবোম্বী অমা মপূং ফানা ফন্দোকপা ঙমদবা, অমসুং থবাক্তা ট্যুব অমা থিঞ্জিন্দুনা লৈবা ওইরবদি, এক্সপরিয়েন্স লৈরবা, ফুল-টাইম থোরাশিক নৎত্রগা চেষ্ট সর্জন অমা লৈবা লোয়ননা, মল্টি-স্লাইস সী টি, টেক্সলা এম আর আই, ব্রোঙ্কোস্কোপি, অমসুং থোরাকোস্কোপি অসিনচিংবা অনৌবা মতমগী ইনভেষ্টিগেশনগী খুদোংচাবা ফংবা হোস্পিটাল অমদা চৎপীগদবনি। মরমদি হায়রিবা ইনভেষ্টিগেশনশিং অসিগী রিজল্টশিং অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা অচুম্বা মওংদা লায়েংনবা থৌরাং তৌগদৌরিবনি। সর্জরি তৌবা হায়বসিনা থবোম্বী চপশিনবগী খ্বাইদগী ফবা লায়েংনি। থৌওং অসিতনা অনাবা থবোম্বী অদুবু মশাগী মহৌশাগী কামথোক্তুনা লৈবা মওং অদুদা অমুক হঞ্জিনবা ঙমহনবগা লোয়ননা, অতোপ্পা নাকলগী থবোম্বী অদুবুসু নারক্কদবদগী কলহৌবা ঙমগনি। ওপরেশন তৌবগী মতম থেংথহল্লোইদবনি, মরমদি, করিগুম্বা মতম চানা ওপরেশন তৌহৌদ্রবদি, থবোম্বী অদু কনবা ঙমদবগা লোয়ননা, য়াম্নমক চোন্থরবদি, অনাবা অদু নাকন্দা লৈরিবা, করিসু তৌদ্রিবা থবোম্বী অদু য়ৌনা শন্দোক্লক্তুনা মমৈথংদা নারিবা মীওই অদু পূন্সি লোইখিবা য়াই।

**ঙন্না সর্জরি তৌহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ :-** চপশিন্দুনা লৈবা থবোম্বীগী ওপরেশন তৌবা মতমদা সর্জরিগী মেথদ মখল কয়ামুক শীজিন্নৈ। খ্বাইদগী হেন্না চূনবা ওপরেশন মওংদি, থবোম্বীদা ননশিন্দুনা লৈরিবা মপঙ ওল্লবা মহী-মচুমগী অথাবা মপ্রাম অদুবু লৌথোকপা ‘দিকোর্টিকেশন এন্দ ইম্পায়েক্টোমি” হায়না খঙনবা অসিনি। মসিনা থবোম্বী অদুবু মনীং তম্না, মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবা ঙম্মী। হায়রিবা ওপরেশন অসি ঙল্লিঙৈদা তৌহৌরবদি, থবোম্বী অদু ননশিন্দুনা লৈরবসু, মশা য়াম্না শোকচিন্দ্রিবা মরম্না, য়াম্না কান্নবা অমসুং মায় পাকপা হেল্লি।

**ওপরেশন তৌবদা চোন্থরবদি থবোম্বী মাঙজগনি :** করিগুম্বা ঙল্লিঙৈদা সর্জরি পাঙথোকহৌদবা তারবদি থবোম্বী অদু মচেৎ ওইনা নৎত্রগা মপূম ওইনা মওং কায়গনি হায়বা ৱাফম অসি মতম পূম্নমক্তা কাউবীগনু। মতম চানা ওপরেশন তৌহৌরবদি মশা নারবা থবোম্বীগী মপ্রাম, অমসুং মহী-মনাইগী শরুকশিং অদু সর্জরিগী মতেংনা লৌথোকই। ওপরেশন মখল অসিবু ‘লোবেক্টোমি’ হায়না খঙনৈ। চপশিল্লবা অমসুং অমাঙ-অতা থোক্লবা থবোম্বী অদুদা ট্যুবর্ক্যুলোসিসকী মহীক্লা মকোন শাদুনা লৈরবদি, করিগুম্বা মতাংদা থবোম্বী অদু ওপরেশন তৌদুনা মপূম ওইনা লৌথোকপসু য়াওই। মতম থেঙথরবদি অনাবগী পূন্সি মাঙবা য়াবা মরম্না, অসিগুম্বা ফীভম লুনা শোক্তুনা মথৌ তৌদ্রবা থবোম্বী অসি হেক য়ারিবমখৈ খোঙলৈ থুনা হকচাং মনুংদগী লৌথোকখিগদবনি। অসিগুম্বা ওপরেশন অসিবু অনা-লায়েংগী লোন্দাদা ‘ন্যুমোনেক্টোমি’ হায়না খঙনৈ।

থবোম্বীগী ওপরেশন হায়বসি তরাই তরাই লৌবা য়াদবা, অরুবা থৌওং অমনি। মতিক চাবা অমসুং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এনেস্থেটিষ্ট অমা থবোম্বী ওপরেশন তৌবা মতমদা য়াওদবা য়াদে। অনাবা অদু ওপরেশন তৌবা লোইরবা মতুংদা, ইন্টেন্সিভিষ্ট, লোয়ননা ক্রিটিকেল ক্যের স্পিসিয়েলিষ্ট অমনা শেন্নবা মোদর্ন ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট অমদা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। হোস্পিটাল অমগী পোষ্ট-ওপরেটিভ ইন্টেন্সিভ ক্যের ৱার্দতা খূৎশেমগী পাম্বৈনা নীংশা হোলহন্নবা (আর্টিফিসিয়েল রেস্পিরেটরি) ভেন্টিলেটর মেছিন মরাং কায়না লৈগদবনি। অদোম্না হোস্পিটাল অমা খনবা মতমদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি কূপ্না খন্থবীয়ু, মরমদি অসিগুম্বা মরু ওইবা হীরমশিং অসিনা, থবোম্বীদা পাঙথোকপা ওপরেশন অমগী মরাইবক লেপ্পদা অচৌবা শক্লোন অমা লৌই। হার্টকী সর্জরিদা হেন্না মথৌ চিনবা সর্জনশিং অসি থবোম্বীগী সর্জরিদদি কয়া খূৎলোইদবগুম অয়াম্বা মতমদা উবা ফংই। মরম অসিনা ৱাফম অসি অপাম্বা সর্জন অমা খনবা মতমদা খক কাউবীগনু। ●